# শিল্লোং মণিপুর রাজবারী থুগাইখিবদা ফাওরকপা ৱাখল

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াট্রিষ্ট
dr.smanikanta@gmail.com



মীতৈ ফূরুপ অসি চহী লিশীং ২গী মথক্তা কংলৈপাক অসিদা লৈরক্লবা য়েলহৌমী অমনি হায়না চাউথোকচবা ফাওরবসু ঙসি ফাওবদা ঐখোয় ইশাগী হৌফম খঙদবগুম নৎত্রগা থিজিনবা ৱাৎপদগী খঙবা ৱাৎপগুম মীগী লীচৎ, নাৎ ৱাইদুনা, পুদুনা হিংলিবা পূন্সি মহিং অমদা লৈরিব্রা? চৎলিবা ওক্টোবর থাসিগী চৈচৎ ৮দা ২৯৬শুবা পুয়া মৈ থাখিবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লি। পুয়া মৈ থাখিবগী থৌদোক অসিনা য়েলহৌমী ঐখোয় মতৌ করম্না গৌড়িয়া ধর্ম্ম নম্ফুদা চৎহনখিবগে হায়বদু নীংশিংহল্লি। ঐখোয়গী লৈজরিবা মহৌশাগী ৱারী-শিংবুল, পারী-পুরীগী হৌরকফম অমসুং লাইনীং-লাইশোনগী ৱারী-শিংবুন পূন্নমক মূখৎনবা অরিবা লাইরিক (পুয়া) মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখি। অমুক হন্না মীতৈ লাইনীং-লাইশোন নীংশিংবা ঙমদনবা অমদি গৌরিড়া ধর্ম্মনা অমত্তা ঙাইরবা লীচৎ ওইহৌনবা মীতৈগী অরিবা লাইরিক কয়া মৈ থাদুনা মাঙহনখিবনি। মসি পামহৈবা (গরিবনিৱাজ) নিংথৌ হাক্তক্তা থোকখিবা পুৱারীগী তাঙ্কক অমনি। করিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্লমদ্রবা নৎত্রগা অরিবা মীতৈ হৌফম লাইরিকশিং অদু মৈ চাক্তুনা মাঙলমদবা থোক্লবদি ঙসিগী তাইবঙপানবা অসিদা মীতৈ ফূরুপ অসি মালেমগী সিভিলাইজেশনগী পুৱারীদা Greece/Rome গুম তোমথিন ঙাল্লমগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। পুৱারী (ইতিহাস) নৎত্রগা ঐখোয়গী হৌফম লাইরিক পুয়া হায়বসি পাল্লম্বা নিংথৌশিংগী মমিং অদু ইশিনবখক অমদি মখোয়গী ৱারী শীংবুল অদু খক্তা নত্তে। লৈবাক অমদা নিংথৌ অমা পানবা হায়বসি নিংথৌ অদুগী মথৌনা-মরৌশিং, মতিক-মগুণ অদুখক্তনা ওইবা য়াদে। লৈবাক অদুগী অঙম-অথৌ, অখঙবা-অহৈবা, মরৈবাকপু নুংশিবা, কথোকপা ঙম্বা, মথৌনা লৈবা, খূৎ-শা হৈবা, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুমগী ফীভম, লৈবাক মচা তাবা পূন্নমক অদুসু য়াওরিবনি।

পুয়া মৈ থাখিবগী কুমওন থৌরম নুমিৎ ওক্টোবর ৮, ২০২৫ থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতনা লৈরিঙৈ তানফম অসিদা শিল্লোংগী রেদ লেন্দদা লৈবা চহী ৯০ হেল্লবা মণিপুর রাজবারী শিংকুপ তানা থুগাইদুনা শিদোকখি। মণিপুর রাজবারী থুগায়খিবদা মণিপুর মীয়াম্না করিগীদমক থম্মোয় শোক্না নুংঙাইখিদবনো। রাজবারী অসিমক ঐখোয়গী হিষ্টরিকেল মোন্যুমেন্ট অমা ওইবা য়ারবা য়াম্না মরু ওইবা ষ্ট্রকচর অমনি। মসিনা মণিপুর মনীং-মখা তম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমবু করম্না ইন্দিয়ন য়ুনিয়নদা তিনখিবগে হায়বদু হৌরক্লিবা মীরোল কয়াদা পাউজেল পীরিবা মফম অমসুনি। মীয়াম্না হায়নরিবা অহিংবা পুৱারী অমা মাঙহনখ্রে হায়বসি চুল্লবা ৱাফমনি। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি হান্না লৈজরম্বা ষ্ট্রকচর অদু পুমথু থুগাইদুনা মাঙহল্লিবা করিগীনো? হান্নগী লৈজরিবা মওং-মতৌ অদু কাইহন্দনা শেমজিন শাজিনবা ইয়ামক য়াদ্রবা জাৎলা? মসিগী মতাংদা অনৌবা ষ্ট্রকচর অমা শাবগী থৌদাং লৌরিবা প্লান্নিং এন্দ দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (পি দি এ) গী চেরোল অমনা হায়রিবদি হান্নগী ষ্ট্রকচর অদু য়াম্না ফৎত্রে। শেমজিন-শাজিনবা ওইথোক্লরোই হায়বসিনি। মতাং অসিদা নৈনবা য়াবা ৱাফমদি লৈরিবা রাজবারী অসি শেমজিন শাজিনবগী শেনফম অসি এন ঈ সীগী ফন্দিং মখাদা পায়খৎপা প্রোজেক্টনি। এন ঈ সীদা সবমিট তৌখিবা দি পি আর অদুমক্তি রাজবারী অদু রিনোভেশনগী ৱাফম ওইনা তৌই। হৌজিক্তি পুমশি শিদোক্লবনিনা রিনোভেশনগী দি পি আর অদুগা চান্নরিব্রা? সেপ্টেম্বর ৮, ২০২৫দা মণিপুরী এলদর্স কন্সোর্টিয়ম, শিল্লোং (এন ঈ সী এস) না মণিপুরগী গভর্ণরদা শিল্লোং মণিপুর রাজবারী অসি শেমজিনবীনবা মেমোরেন্দম পীশিনবা লৈখ্রে। পি দি এগী সেক্রেটরি অমদি আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নর কম সেক্রেটরিগা হকথেংননা উন্নদুনা শেমজিন শাজিনবীনবা হায়জবসু লৈখ্রে। মসিদসু নত্তনা হান্নগী এম ও এস এক্সটর্নেল এফ্যেরস এন্দ এদ্যুকেশন, ডা. আর কে রঞ্জননা মণিপুরগী গভর্ণরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা মণিপুর রাজবারী অসি ঙাক শেন্দুনা থম্বীনবা অমদি শেমজিন শাজিনবীয়ু হায়দুনা তকশিনবসু লৈখ্রবনি। অসিগুম্বা ৱাকৎ কয়া অসি লৈনা-লৈনা পি দি এ অমদি আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা করম্বা ৱাখল্লোন্দা রাজবারী অসি দিমোলিশন তৌখিবনো।



রাজবারী থুগাইখ্রবা মতুংদা ওইরিবা শক্তম

মথক্কী থৌদোক অনীসিগা মরী লৈননা পুৱারীগী তাঙ্কক অনীখক নীংশিংহল্লি। অহানবদা য়েলহৌমী ঐখোয়বু পাক্তক্লনা লাইমিং লৌদুনা গৌড়িয়া ধর্ম্ম চৎনহনখিবা তাঙ্কক অমা। অনীশুবদা কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা মনীং তম্না লৈজরম্বা লৈবাক অমা ইন্দিয়ন য়ুনিয়নগী পার্ট সী ষ্টেট ওইখিবগী তাঙ্কক অমা। তাঙ্কক অনী অসিমক তোঙান তোঙানবা পুৱারীগী থৌদোক ওইনা উরবসু নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনদি মান্নে হায়বা য়াই। অনীমক অসি মীতৈ ঐখোয়গী লৈজরম্বা লীচৎ, ঈনাৎ অমসুং লাইনীং-লাইশোন পূন্নমক মূখৎনবা হোৎনবা থৌওং ঙাক্তনি। মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু নম্ফুদা মর্জর-এগ্রীমেন্টকী য়ান-চে খূৎয়েক পীহনখিবা, নীংতম্বা লৈবাক অমবু ইন্দিয়গী পার্ট-সী ষ্টেট ওইনা লৈহনখিবা অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৱান নেশন, ৱান রিলিজন, ৱান লেংগ্বেজগী মঙলান অসিদা মণিপুরবু পুময়োৎ য়োৎশিন্নবা হোৎনবা লাল্লোং অমনি। অসিগুম্বা লাল্লোং অসিদা মশাগী হৌফম খঙদবা, মপা-মপু মশক খঙজদবা মশাগী ওইজবা খরখক্কী মণিপুর য়োম্বোক্লবসু য়ারে খনবা পি দি এ অমসুং আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মীওই খরগী থৌওং অসি অপেনবা ওইদে। মসি চুমদবা থৌওংনি। ঐখোয় বাব্রুভহনগী মচা-মশুনি, চাদা-নাওদানি হায়দুনা লৈথোক্কদবা মতম অদু ওইদ্রে। ঐখোয়গী হৌরকফম খঙসি, ইপা-ইপু নীংশিংসি।

চাওখৎপা লৈবাক মচা তাবা, সিভিলাইজেশন হায়বসি ইপানাৎ-ইপুনাৎতগী চেন্থরকপা ঈনাৎ-লীচৎ অমদি মখোয়না থম্বীরম্বা মচাক-মরল অদু খঙনা অমদি ঙাক্না চৎপা হায়বসিসু অমনি। ঙসি করিগীদমক্তা মীতৈনা মীতৈ ওইনা হিংবা ঙম্লিবনো? ঐখোয়গী য়াইফনবগীদমক লীচৎ, লাইনীং-লাইশোন, ঈনাৎ, মীতৈ ঐখোয়গী লৈঙাক, ঐখোয়গী লোল, কংলৈরোল পূন্নমক লৈজে অমসুং পূন্নমক অসি শাগোন্নদুনা চৎনবা হোৎনরি। মালেমদা লৈরিবা লীচৎ (ধর্ম্ম)গী তোঙান তোঙানবা ৱারী-শিংবুন লৈ। তাইবঙপানবা ওইরকখিবগী, তাইবঙ-মী শেমখিবগী ৱারী লৈজরি। মতৌ অসুম্না মীতৈ ঐখোয়গীসু তোঙানবা লৈশেমলোন ৱারী লৈজে। চীংলেন চীংগোই মতোন থুগাইদুনা ঈপাক ফুল্লবা মতুং কংলৈপাক শেমখি। সোরারেনগী মচা পাখঙবগী মচা তরেৎ পোকখি। খুমন, লুৱাং, মঙাং, অঙোম, মোইরাং, খাবা-ঙানবা, সরাং-লৈশাংথেম। অসুম্না মীতৈ হৌরকফম ৱারী লৈজে। হায়রিবা ৱারী পরিং অসি অতৈ অতোপ্পা কলচর অমত্তগা মান্নদবা পুমতোপ তোপ্পা অমনি।

ঐখোয়গী তোঙানবা ঈনাৎ (কলচর) লৈজে। ঙসিসু মণিপুরগী কলচর মালেম শিনবা থুংনা মমিং চৎলি। ফূরুপকী ওইবা হরাও-কুম্মৈ, লাই-হরাওবা, ফিজেৎ-চাকচা, জগোয়-ঈশৈ, মশান্না খুদম ওইনা শগোল কাংজৈ, কাং শান্নবা, থাঙ-তা, হিয়াং তান্নবা, থাবল চোংবা অসিদসু নত্তনা চৈরাওবা, য়ূমগী লাই, উমং লাই, নুমিৎ-থা য়েংদুনা লাইনীং লাইশোনগী ঈরাৎ থৌনি কয়া তোঙান্না লৈরি। লোল, ৱারেং-শৈরেং, পাউরৌ, পাউতাক লৈজরি। ঐখোয়না লোল অসিগীদমক চাওথোকচবা ঙমগদবনি। ঐখোয়গী লোল অসিনা অৱাইবা লোল অমা ওইরম্লবদি চাওখৎলবা লোল কয়া অসিনা য়োৎশিনখ্রগদবনি। অদুবু ঙসিসু চাওখৎলে হায়রিবা লোল অমত্তনা য়োৎশিনবা ঙমদনা নাইতোম ঙাল্লিবা অসিনি। মীতৈ ঐখোয়গী য়েক-সলাই, লুহোংবা, লান্ন-থৌরম, লায়েংবগী পথাপ লৈজরি। খূৎ-শা হৈবতা নত্তনা মসিগী পোখোক মালেম পূম্বনা পাম্নরি। ঐখোয়গী লাইনীং-লাইশোন পূন্নমক অসিনা ঐখোয়সি হৌরকফম লৈজবা তোপ তোপ্পা ফূরুপ অমনি হায়বদু তাকই। চাওখৎলবা লৈবাক অমগী মরু ওইবা মচাক মরল অমা হায়বা তারবদি মহৌশাগী হিষ্ট্রি (নেচরেল হিষ্ট্রি), মীওইবা হৌরকপগী ৱারী শিংবুন (হ্যুমেন হিষ্ট্রি) অমসুং লীচৎ, লাইনীং-লাইশোল অসিবু খঙনৈ। ঐখোয়গী মোইরাং কংলৈরোল অমদি পাখঙবগী ৱারী-শিংবুল অসিবু চাওখৎলবা লৈবাক অমদগী হেক্তা ৱাইরুবা য়াগদ্রা? ঐখোয় হৌজিক ঈনাৎ খঙনা চৎতুনা হৌরকফম খঙবা মতম ওইরে। কাউরোইদবদি ঐখোয়গী হৌরকফম ৱারী, লাইনীং-লাইশোন, ঈনাৎ নৈনদুনা হিংবা হায়বসিমক ইপা-ইপুদা তৌবীমল খঙবা উৎপনি।

শিল্লোং মণিপুর রাজবারী পুমথু থুগাইখিবা, দিমোলিশন তৌখিবা অসিমক ঐখোয়গী নেচরেল হিষ্ট্রি অমসুং হ্যুমেন হিষ্ট্রি লাক্কদৌরিবা মীরোলদা খঙহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা খুরৌ থাংবা অমা ওইগদৌরিবনি। ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা মচাক মরল, ৱারী-শিংবুন অদু ঙাক্না চৎপা ঙমজবনা মালেমদা ঐখোয় শক তাকপা ঙম্লিবনি, চাউথোকচবা ফাওরিবনি। মালেমগী অতৈ ফূরুপ্না ঐখোয়বু ইকায়খুম্নরিবনি। ঙসি মীওই খুজোক খরনা মশাগী ওইজবা খরগীদমক শিল্লোং মণিপুর রাজবারী থুগাইদুনা মাঙ-তাকহনখিবা হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্কী মাঙজবনি। ●

# ব্রহ্মপুত্রগী নুংঙাইরবা ঈশিংগী খোঙচৎনা ইন্দিয়াগী টুরিজম চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা অনৌবা ইনোৎ হাপ্পা

— শর্বানন্দ সোনোৱাল —
য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ পোর্টস, সিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেজ

ব্রহ্মপুত্রদি য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মতীক-মঙম চেল্লবা তুরেল অমা ওইদুনা লাকখি। হৌখিবা চহীচা কয়া অসিদা তুরেল অসি -- নাৎ, লল্লোন-ঈতীক, পূন্সি হিংনবা পান্বে অমসুং অপূনবা পুৱারী হায়রিবশিং অসিগী তূংনফম অমা ওইনা অসাম অমদি অৱাং-নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মীয়ামগী অপূনবা পূন্সিরোলগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অমা লৈনদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসিদি মসি পূন্নমক অসিদগীসু হেন্না মতীক-মগুণ চাউবা, খুদোংচাবা কয়া পীবা, টুরিজমবু চাওখৎহনবা ঙম্বা, মনাক নক্না লৈবা মফমশিংগী শেন্মীৎলোন চাওখৎহনবা অমসুং লমদম অসি শীনবা থুংনা তুং কোইনা চৎনবা য়াগদবা মওংদা ফীভম ফগৎহনগদবা তুরেল অমা ওইনা লৌনরে।

মাঙলমচত্তগী হৌনা হি হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌবদা য়াম্না খুদোংচাদবা তুরেল অমনি হায়না লৌনদুনা লাকপা ব্রহ্মপুত্র অসি হৌজিক্তি, ইন্দিয়াগী ঈশিং-লম্বীশিংবু শেমগৎ-শাগৎপগী হীরম অসিদা মরু ওইবা য়ুম্বী অমা হায়বদু ওইরক্লে। ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিজিনা কুমজা ২০২৩দা বরানসিদগী দিব্রুগড় ফাওবগী ওইনা লমথাখিবা, মালেম অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না শাংবা তুরেলগী নুংঙাইরবা খোঙচৎ -- এম ভি গঙ্গানা মায় পাকখিবা অসিনা -- ইন্দিয়াগী তুরেলশিংনা লকজরি অমসুং 'এডভেঞ্চর ওইবা ঈশিংগী টুরিজমবু' অনৌবা মওং অমদা পুথোকপা ঙম্লে হায়বসি খুদম ওইনা উৎখ্রে। ঙসিদি ব্রহ্মপুত্রগী মায়কৈদা মালেমগী ওইবা, তুরেলদা নুংঙাইনা হি তোংদুনা চৎপগী অনৌবা মীৎয়েং অমা থম্বা হৌনরক্লে।

অনৌবা মায়ওন অসি, ইনলেন্দ ৱাটরৱেজ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (আই দব্লিয়ু এ আই) না লীশাং শীৎনা পায়খৎলকপা পোলিসি অমসুং ষ্ট্রেটেজিক ওইবা মীৎয়েং অমনা পুরকপনি। ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং শাল্লবা লমজীং মখাদা, কুমজা ২০১৪দগী ইনলেন্দ ৱাটরৱেজনা ইন্দিয়াগী ট্রান্সপোর্ট অমসুং টুরিজম পোলিসিগী পান্দমশিংবু মপূং ফানা ফংবা ঙম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মহাক্কী 'ইকোনোমিগা ইকোলোজিগা থোং মান্নহনবা' হায়বা মীৎয়েং অসিনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগা, অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দনা থম্বগা অনী অসিবু অমত্তা ওইহনবা প্রোজেক্টশিংগী থৌইনশিন পীখি।

অসিগুম্বা মীৎয়েং অসিনা লমজিং ওইদুনা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা ব্রহ্মপুত্র তুরেলবু চাওখৎ-থৌরাংগী ইঞ্জিন অমা ওইনা নৌহৌননা শেমগৎ-শাগৎপদা মরু ওইবা শক্লোন অমা লৌখি। মহাক্কী থৌশিল অসিনা মরম ওইদুনা, হিথাংফমশিং শেমগৎপা অমসুং খুঞ্জাশিংনা লমজীংবা টুরিজম চাওখৎহনবা অসিনচিংবা থৌরাং পায়খত্নুনা অৱাং-নোংপোক লমদমবু ইন্দিয়াগী সমুদ্রগা মরী লৈনবা অপান্বশিংগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা কয়াৎ অমা ওইহনবা ঙমখি। ইতৎ তত্তনা মহাক্না হায়, "কাজিরঙ্গ অসি ঐখোয়গী চাওথোকচফম্নি অমসুং মোদিজিনা মসিবু ঙাক-শেন্দুনা থমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অমা পীবগা লোয়ননা অসামগী চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনরি।" হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিনা খোঙথাং খূদীংমক্তা মহৌশাগী অপূনবা শক্তম, পূক্নৈ চোল্লবা নাৎ, থোং মান্নহন্নবা হোৎনরিবা তুরেলগী টুরিজমবু কোনশিল্লি।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট মঙা অমসুং লৈবাক অনীদা চেল্লিবা তুরেল ২৭ লাম্থোক্তুনা কিলোমিটর ৩,২০০ শাংনা উত্তর প্রদেশকী শেংলবা সহর বরানসিদগী অসামগী হেরিটেজ সিটি দিব্রুগড় ফাওবা চৎখিবা গঙ্গা বীলাশ জর্নি অসিনা ৱর্ল্ড-ক্লাসকী ঈশিংগী নুংঙাইরবা খোঙচৎশিংদা ইন্দিয়াগী ঈশিং-লম্বীশিংনা অচৌবা শক্লোন অমা লৌবা ঙমগনি হায়বগী মতীক-মঙম অদু উৎখ্রে। অদুগুম্বা জর্নি অদুবু মালেম পূম্বনা অঙকপা অমা ওইনা য়েংনখিবগা লোয়ননা, ব্রহ্মপুত্রনা চাংদম্নীংঙাই লৈত্রবা লম্লক্কী শা-উচেক, চহীচা কয়া লিরবা নাৎকী শক্তম অমসুং চীং-লেন্নবা লম্মীৎ-তুমিৎ হায়রিবশিং অসিগী তোপ তোপ্পা মশক অমা উহনখি। তুরেল অসিনা, মাজুলি ঈথৎতা লৈরিবা মুনি-ঋষিশিংগী ছাত্রশিং অদুদগী হৌরদুনা কাজিরঙ্গগী মীৎফম হোংবা ঙমদ্রবা লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু ময়েক শেংনা উৎপা মরম্না, মসিগী ঈচেলদা হি তোংদুনা চৎপা অসি য়াম্না নুংঙাইবা অমসুং পূক্নীং হুরবা খোঙচৎ অমা ওইগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অমা পীরি।

ইন্দিয়াগী তুরেলদা হি তোংদুনা নুংঙাইনা চৎপগী মওং, মরু ওইনা নেশনল ৱাটরৱে নং-২ (ব্রহ্মপুত্র) দা চৎপা অসি কুমজা ২০১৩-১৪দা তুরেল অসিদা শুপ্নগী হিজাউ ৩ খক্তমক চেল্লম্বদগী কুমজা ২০২৫দা ২৫ য়ৌনা মশীং হেনগৎলকপা অসিনা চাওখৎলক্লি হায়বসি ময়েক শেংলে। হায়রিবা হেনগৎলক্লিবা মশীং অসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা ঈশিংগী খোঙচৎ চৎপা অসি চহীদা চাদা ২০ হেনগৎলকপগী হেন্না পাক-চাউবা মওং অমা উবা ফংই। অসুম্না চাওখৎলক্লিবা অসি, আই দব্লিয়ু এ আইনা তুরেল খোংনুংবু হি চেনবা য়ানবা চাং য়ৌনা লুথহনবা, চেল্লিবা হিশিংদা তেংবাঙবা, হিথাংফমশিং থম্বা, তোর্ব্বান্দা ইলেক্ট্রিক ফংহনবা অমসুং হিরোইশিংদা মতেং পীবা হায়রিবা হি ওপরেটরশিংগা কূপ্না খন্নদুনা পাঙথোকপা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্টকী থবকশিং অসিদা অকনবা মীৎয়েং চঙবদগী ওইথোকপা ঙমহনবনি।

হীরম অসিদা প্রাইভেট সেক্টরনা পূক্নীং চঙবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। Viking Cruises হায়না খঙনবা, মীয়াম্বু তুরেলদা য়াম্না লকজরি ওইনা পুথোক-পুশিন তৌবা মালেমগী অচৌবা কম্পনি অমনা লুপা ক্রোর ২৫০ থাদদুনা ব্রহ্মপুত্রদা হিজাউ অনী চেলহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অসিগুম্বা শীংথানীংঙাই ওইরবা থৌওং অসিনা মরম ওইদুনা ইন্টরনেশনল টুরিজম অমসুং গ্লোবল কেপিটেলনা ব্রহ্মপুত্রদা পূক্নীং চিংশিন্নরক্লি।

**River Cruise Tourism গী য়ূম্ফম থোনবা :-** মীয়াম্বু তুরেলদা নুংঙাইনা হিজাউ তোংদুনা চৎহন্নবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি মখা তানা চাওখৎহন্নবগীদমক্তা আই দব্লিয়ু এ আইনা কুমজা ২০২৫গী ওগষ্টতা ষ্টিলগী গেংৱে টুরিষ্ট জেট্টি অনী (জহাজদগী কংফান্দা কুমথনবা থোং) পান্দু অমসুং বোগীবীলদা মপূং ফানা শাবা লোইশিনখি। থোং অনী অসিনা ঈশিংগী পেসেঞ্জরশিংবু জহাজদগী কুমথবা অমসুং কাখৎপদা নুংঙাইহল্লগনি। হায়রিবা থোংশিং অসি পান্দুদা মখা তানা অনী অমগসু শাগৎতুনা, কুমজা ২০২৫গী অরোইবা শরুক্তা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

ইনলেন্দ ৱাটরৱেজ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ব্রহ্মপুত্রদা ঈশিংগী খোঙচৎ চাওখৎহন্নবা অমসুং তেংবাঙনবগীদমক্তা, অৱাং-নোংপোক লমদমদা তঙাইফদনা মথৌ তাগদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অদু শেগৎ-শাগৎনবা কন্না হোৎনরি। পান্দু অমসুং বোগীবীলদা অনৌবা মতমগী জেট্টিশিং শেমগৎলিবা অসিসু হায়রিবা থৌরাং অসিগী মখাদনি। দিব্রুগড়দা হেরিটেজ বিল্ডিং অমা চাদা ৮০ নৌনা শেমজিনবা লোইশিল্লক্লে অমসুং ২০২৫গী ওক্টোবরদা লোইশিনখ্রে, মসিনা অপ্পর অসামদা মরু ওইবা টুরিজমগী মফম অমা ওইরগনি।

অসামগী শিলঘাট, বিশ্বনাথঘাট, নিমাটি অমসুং গুইজান হায়রিবা মফমশিং অসিদা টুরিষ্টশিংগী ষ্টেশন অনৌবা মরী শেমগৎনবা হোৎনরি। হায়রিবা ষ্টেশনশিং অসিনা তুরেলগী খোঙচৎপু পাকথোক-চাউথোকহন্দুনা অনৌবা জহাজ তোংফম অমসুং কুমথফম ওইরগনি। আই দব্লিয়ু এ আইনা দিরেক্টর জেনরেল ওফ লাইটহাউসেস এন্দ লাইটশিপস (দি জি এল এল) কা খূৎশম্নদুনা জিওটেক্নিকল ইনভেষ্টিগেশন পাঙথোকপা অমসুং দিজাইনশিং শেম-শাবা লোইশিনবগা লোয়ননা পান্দু (ধারাপুর), শিলঘাট, বিশ্বনাথ অমসুং বোগীবীলদা লাইটহাউসশিংসু শেমগৎপগী থবক চথরি। অৱাং-নোংপোক লমদমদা তুরেলগী টুরিজমগী মরু ওইবা মফম অমা ওইহন্নবগীদমক্তা গুৱাহাটিদা দেদিকেটেদ ক্রুইজ টর্মিনল অমসু শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি।

তুরেলগী টুরিজম হায়বসি চুম্না নুংঙাইনবা খক্কী নত্তে -- মসিনা মীয়াম্বু অমগা অমগা হেন্না মরী লৈনহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা শক্লোন অমা লৌরি। হীরম অসিদা তেংবাঙনবগীদমক্তা আই দব্লিয়ু এ আইনা নিমাটি-কমলাবাড়ী অমসুং শুৱালকুচি-নোর্থ গুৱাহাটি-সাউথ গুৱাহাটিনচিংবা মরু ওইবা ঈশিং-লম্বীশিংদা RO-Pax হিজাউশিং শীজিন্নরি। অসাম গভর্ণমেন্টনা ওপরেট তৌবা অসিগুম্বা সর্ভিসশিং অসিনা লমদম অসিগী তুরেল মপান্দা খুন্দাবা মীওইশিংগী মফমদা থাজবা য়াবা অমসুং অশোয়-অঙাম য়াওদবা ঈশিং-লম্বীদা চৎথোক-চৎশিন তৌবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি।

ব্রহ্মপুত্রগী তুরেল মরীল অসি য়ুনেস্কো ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইটস ওইরিবা কাজিরঙ্গ অমসুং মানশ নেশনল পার্কশিং অসিগী মনাক নক্না চেনবা মরম্না কয়া তোয়না থেংনদবা ইকো-টুরিজমগী ফীভম কয়ামরুমগা শকখঙ-মায়খঙনহল্লি। পেসেঞ্জরশিংনা শাফারিগীদমক্তা কাজিরঙ্গদা কুমথবা নৎত্রগা মাজুলিগী লাইরোন-তীল্লোন অমসুং নাৎকী পূন্সি-মহিংগী মরমদা থিজিন্দুনা খোঙচৎ অদু য়াম্নমক নুংঙাইহনবা য়াই।

তুরেলগী টুরিজম্না মহৌশা খূৎশেম্বু য়োকখৎতুনা থম্নবা অমসুং খুঞ্জাশিংবু চাওখৎহন্নবা মায়কৈদসু শেল কায়থোক্তুনা অদুগুম্বা চাওখৎপা অদুনা অকোয়বগী ফীভম অমদি নাৎকী শক্তম কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনবদা তেংবাংই।

কংফাল-মনুংগী ঈশিং-লম্বীশিং অসি চথোক-চৎশিন তৌবদা খ্বাইদগী হেন্না ইনর্জি চঙদবা পান্বেশিংগী মনুং চল্লি। লম্বী নৎত্রগা রেল গাড়ীদগী কার্বন থাদোকপগী চাং হেন্না নেম্বা পান্বে অসিনা ইন্দিয়াগী কুমজা ২০৭০ ফাওবগী মনুংদা কার্বন থাদোকপগী চাং ০দা হন্থবা হায়বা পান্দম অসিগী মতুংইন্না হায়ব্রীদ, ইলেক্ট্রিক্কী খাবক লাকপা হিনাউ মচা মচাশিং অমসুং হায়দ্রোজেন ফ্যুয়েল সেলনা থৌবা জহাজ হায়রিবশিং অসি য়াওনা, গ্রীন ভেশেলশিংগী থাক্তা শক্লোন হোংলক্লি। হিথাংফমশিংবু, তোর্ব্বান্দা ইলেক্ট্রিক ফংহনবা অমসুং অচুম্বা মওংদা অমোৎ-অকায় শেংদোকপগী সিষ্টম হায়রিবশিং অসি য়াওনা মহৌশাগা চূনগদবা মওংদা শেমগৎলি।

ব্রহ্মপুত্রবু মতম য়াম্না শাংনা লাকঙম-ফাঙমদ্রবা তুরেল অমা ওইনা লৌনদুনা লাকখি। অদুবু ঙসিদি মসি টুরিজম চাওখৎহনবা, চথোক-চৎশিন তৌবা অমসুং মীয়াম্না হিংবগী থাক ৱাংখৎহনবা হায়রিবশিং অসিগী খুদোংচাবা পীবা, কান্নরবা তুরেল অমা ওইরে। অকে-অমৌগী মশা নাল্লবা হিজ াউশিংনা লমদম অসিবু মালেমগী মেপতা য়াওহল্লে, ঈশিং-লম্বীদা চথোক-চৎশিন তৌবা অসিনা অকোয়বগী ফীভমদা শোকহনবগী চাং হন্থহল্লে অমসুং তুরেল মপান্দা তারিবা খুঞ্জাশিংনা পূন্সি হিংনবা অনৌবা শেন্থোক-লম্বী কয়া ফংনরে।

মুম্বাইদা ওক্টোবর ২৭তগী ৩১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন মেরিটাইম ৱীক ২০২৫দা ইন্দিয়াগী তুরেলদা হি তোংদুনা চৎপগী মওং অসি শেমদোক্লবা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অসিদা পোলিসিমেকর, ইনভেষ্টর, ক্রুইজ ওপরেটর, ইনভাইরনমেন্টকী এক্সপর্ট, টেক্নোক্রেট অমসুং মালেমগী মফম পূন্নমক্তগী লাকপা কম্যুনিটি লিদরশিংনা শরুক য়াদুনা অপূনবা রোদমেপ অমা পুথোকখি। অসিগুম্বা মীফম অসিদা তুং কোইনা চৎনবা য়াগদবা তুরেলগী টুরিজমগী মোদেল অমসুং সিম্বল অমা ওইনা ব্রহ্মপুত্রসু য়াওখি।

পি এম মোদিগী অশানবা মীৎয়েং, সর্বানন্দ সোনোৱালগী লমজীং, আই দব্লিয়ু এ আইগী গ্রাউন্দ ৱার্ক অমসুং Viking Cruises কুম্বা গ্লোবল প্লেয়রশিং চঙশিল্লকপা হায়রিবা মরমশিং অসিনা ব্রহ্মপুত্রবু ইন্দিয়াগী ইহান হানবা নুংঙাইরবা তুরেল-খোঙচৎকী লমথুংফম ওইহল্লক্কদৌরি। ব্রহ্মপুত্রনা টুরিজম, চথোক-চৎশিন, নাৎকী লীল্লম অমসুং মহৌশাগী খল পূন্নমক অসিবু অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা চাওখৎপগী অনৌবা, অশং-অমান হায়রিবশিং অসিগী অপূনবা মশক অমা উহনবা ঙমগনি। তুরেল অসিনা মসিগী মপান্দা তারিবা খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা ঙাইদুনা লাক্লিবা অসি মতম কুইরক্লে। হৌজিক্তি ব্রহ্মপুত্র, ইন্দিয়াগী টুরিজম চাওখৎহন্নবা মথংগী ইঞ্জিন অদু ওইদুনা, হান্নদগী হেন্না অশং-অমান্না থল্লবা, হেন্না মতীক-মঙম চেল্লবা অমসুং য়াইফরবা তুংলমচৎকী ৱাশক অমগা লোয়ননা, মাঙলোমদা চেন্থহনবা মতম ওইরক্লে। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ১২

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

কোকনুংদা লৈরিবা 'তাইলৈ' মহাক্তি পাখঙবা ওইনবনি। থম্মোয়নুংগী ঈনা কাংলকপা মতুংইন্না চেনশিল্লক্লিবা খোনগী মায়লোনবু কোকনুংগী কাচিন্দা খোনলৈনা পানবিবা অমদি পুবিবা (পল) অদুবু খোনলৈগা তাইননা লৈরকপা লৈনা খঙলকপা (খঙ) অদুবুনি। 'পাখঙপা' হায়না কৌনগদৌরিবসি 'তাইলৈ' মহাকপুনি। ইপা ইপু মশক খঙবা 'পাখঙপা' হায়না কৌনগদৌরিবসি।

অদুনদি, মী অমদি অতৈ থৱায় পানবশিংগী থংৱাই (থৱায়) হায়না কৌনগদৌরিবসি অতৈ অমা নৎত্রে - থংওইতা (থম্মোয়দা) তুংদুনা লৈরিবা খোন ওইবশিংবু মথক্তা পঞ্জখিবা আতিনয়া (অতিয়া) অমদি থংওই (থম্মোয়) অনীনা থংদোক-থংজিন তৌনবগা লোয়ননা (থং) ৱাইথোক-ৱাইশিন তৌনরকপা (ৱাই) অদুবুনি। 'থংৱাই' হায়না কৌনগদৌরিবসি। খোনগী মথৌ অদুবুনি থংৱাই হায়নরিবসি। অমুকসু মথক্তা পঞ্জখিবা অতিনয়া (অতিয়া) অমদি থংওই (থম্মোয়) অনীগী মরক্তা খোন ওইবশিংনা চৎনরিবা মাইলম ওইবা (লম) অদুবু পিনরকপা (পি) অদুবুনি 'খোনগী লমপি' হায়না কৌনগদৌরিবসি।

মী অমদি শা অনী অসিনা খেন্নরিবসি মরু ওইবা মরম অমখক্তদনি। মদুদি মী হায়বদুগী মকোক মনুং অদুদদি মথক্তা পঞ্জখিবা খোনগী মাইলোন হায়বদি ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন অনী অসিগা লোয়নদুনা লাকই। অদুবু শা হায়বদুগী মকোক মনুং অদুদদি হায়রিবা খোনগী মাইলোন ওইবা ৱাখল্লোন অমদি থিংমনলোন অনীমক য়াওদে। শাগী কোকনুংদা য়াওরিবা খোন অদুদি 'খোনচেন-খোনথোক' (খোঞ্জেন-খোনথোক) কৌনবনি অদুগা মীগী কোকনুংদা য়াওরিবা খোন অদুনা 'খোনলৈ-খোনতা' কৌনবনি। খোন ওইনা (খোন) চেনশিল্লক্লিবা (চেন) অদুনা খোন ওইনা অদুমক (খোন) পুথোক্লখিবা (থোক) অদুবুনি 'খোনচেন খোনথোক' হায়না কৌনবনি। শা ওইবগী খোন অদুদি মপানদা পুথোকখিবা মরম্না অহাঙবদা তিনখি। ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইদবনিনা অতোপ্পা কনাগী মচিনদা চিনফা ওইনা পুনদে। খোনগী মাইলোন ওইনা (খোন) লৈরক্লিবা অদুনা (লৈ) খোনগী মাইলোন ওইনা (খোন) তারকপা (তা) অদুবু 'খোনলৈ-খোনতা' কৌনবনি। তাফম অমা লৈবা তারবদি তাফমদুদা খোনগী মাইলোনশিংনা মথং মথং থংননা পুনশিল্লকপা তাবনি। মরম অদুনা মী হায়বসি ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন অনীমক্কী মপু ওইবা ঙম্বা থৱায়পানবা মখল অমনি। অদুবু ঙসিগী তাইবঙপান অসিদদি শাগুম খোনচেন-খোনথোকতমক লোয়নবা লন্নাই মী নৎত্রগা মী কাঙলূপ ওইবশিং লৈরকপা ঐখোয়না থেংনদবা নত্তে। শাগুম মখোঙ মরি পানবা নৎত্রগা উচেক্কুম মসা পানবা হায়বদু নত্তবনিনা হায়বদি মীগী শাবান হায়বদু পাল্লিবা কৌবনিনা মহাক অদু মী ওইনা খন্নজবগী ৱানি, অদুবু মহাক্না লোয়নরিবা খোনগী মাইলোন অদু ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইনা থানবা/শীংথানবা য়ারক্তবনা মরম ওইদুনা মহাক অদু মীগী শাবান পাল্লবসু শাগা পাঞ্জক ওই হায়নরিবনি। ইপা ইপুশিংনা মখোয়শিং অসি 'খোনলৈ-খোনতা চুমদেদা, থীদা' হায়না চৈবীদুনা লাকই। থীদুনতা লৈবা (থী) হায়বসি সোল্যুশন পুথোকপা ঙমদবা খোনগী মাইলোনশিং অদুনা কোকনুংদা তাদুনা লৈবা (তা) অদুবুনি 'থীতা' (থীদা) হায়না কৌনগদৌরিবসি। ৱাখল্লোননি হায়না পুথোক্লরক্লিবা অদুগা লোয়ননা তৌথোরক্লিবা থবক থৌরমশিং অদুনা কান্নদবদা মতম মাঙহনবা, মতম লেনবা ওইনা থেংনবা, অতোপ্পদা অকায়বা পীবগা লোয়ননা মশাখক্কী কান্নবা নুংঙাইবা ফংননবা মায়কৈদা (শা) পাংশিনবা ওইনা থোকপা (পাং) ৱাখল্লোন (খন) অদুবু 'শাগী পাংখন' (শাগী পাঞ্জক) কৌনবনি।

লৈঙাকলোই মনুংদা ৱায়েনলোই মনুংদা, লৈঙাক-ৱায়েল থৌদালোই মনুংদা, লৈনিংলোই (লাইনিংলোই) মনুংদা, অঙম-অথৌশিংগী মনুংদা, ইনাইলোই (ইনাৎলোই) মনুংদা, লৈবাক্কী থবক তৌরিবশিংগী মনুংদা, লৈকায়, খুলগী থবক তৌরিবশিংগী মনুংদা, নুপী কাঙলূপশিংগী মনুংদা অসিনচিংবশিং অসিগী মনুংশিংদা অদুগুম্বা শাগী ৱাখল চেনবশিং অদুনা য়াওশিনখ্রবদা লৈকায়, খুল অমদি লৈপাক অদু করি ওইফম থোকপগে হায়বদু হান্না মাঙজৌননা উফম-খঙফম থোকই হায়জনীংই। হায়রিবশিং অসিবু হান্না মাঙজৌননা উহৌদবদগী ইপা-ইপু ওইবশিং অদুনা তুংগী মীরোল ওইবশিংগীনি খল্লগা থম্বীরম্বা 'সনাগী তেঙ্কোৎ শাবা' অমদি 'ফম্বীকোন' মশক ওইবা ইলৈপাক অসি ঙসিদি মীওইবা হায়বদুনা লৈনবদা নুংঙাইত্রবা, মনম নমথীরবা, হন চংলবা, ওনীংবা ফাওরবা, মী, শা, উচেক-ৱায়ানচিংবগী শরূ-শয়াংশিংগী ফুমজিনফম ওইরবা অদুগুম্বা লৈবাক হায়বদু ওইরবনি।

থম্মোয়নুংদা তুংদুনা লৈরম্বদগী শনলকপা (শন) নাইরকপগা লোয়ননা (নাই) খিনজিনবা য়াবা মফম ওইনরিবা (খিন) আতিনয়া (অতিয়া) অদুদা (তিন) চেনশিল্লক্লিবা খোনগী মাইলোন (মরোন) ওইবশিং অদু (খোন) অমগা অমগা শাগৎনদুনা লৈনবগা লয়েননা (শা) পানদুনা লৈপা (পা) অদুবুনি 'শন্নাইখিন তিনখোন শাপা' (সনাগী তেঙ্কোৎ শাবা) হায়না কৌনগদৌরিবসি। অমুকসু থংওইদা (থম্মোয়দা) তুংবা নাইনা ফংলকপগা লোয়ননা অতিনয়া (অতিয়া) ওইবা কোকনুংগী কাচিনদা পীরক্লিবা (পি) খোনগী মাইলোন (মরোন) ওইবশিং (খোন) অদুবু 'ফংপিখোন' (ফমবিকোন) হায়রিবা অসিনি। ● (মখা চৎথজরকখিগনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।